# কুমজা ১৯৮৪দগীদি ঐহাক সী আর পি এফ ফুটবোল টিমদা য়াওদুনা মখা তানা শান্নজরকখি: কে নোগেন

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**



কে নোগেন (ভেটরান ফুটবোল্লর)




(হান্নগী মখা...)

শান্নরম্বা মতমগী ৱারীশিং মথং মথং নীংশিংলুবদা ঐখোয়বু ফুটবোল তন্বীরকখিবা ওজাশিং ঙসিসু কাউবা ঙমদে। অহানবা ওইনা ঐখোয়দা তাকপীরকখিবা তা মঙলেম (ইষ্টর্নগী সেনিয়র প্লেয়র), ওজা ঐচ রাধাচরন শর্ম্মা (এন এস এন আই এস) মখোয়না নিংথিনা গাইদ তৌবীরকখিবশিং লোইনা নীংশিংজরি। অদুগা নেসনল থাক্কী টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবা থৱায় য়াওনা মণিপুর টিমগী প্রিপরেসন তৌবিরকখিবা ঐখোয় মতমগী কোচসিনা ওজা কামীনীকুমারগা ওজা অলেঙ সিমরেগা ওজা অনীসিনি।

মণিপুর টিমদা য়াওদুনা শান্নজরম্বসিনা কুমজা ১৯৭৭তা কটক্তা তৌখিবা বি সী রোই ট্রোফিদগী হৌজরগা কুমজা ১৯৭৮দা আগরটালাদা অদুদগী সেনিয়র নেসনেলসিনা কুমজা ১৯৮১-৮২দনা ত্রিচুরদা, কুমজা ১৯৮২-৮৩দনা কোলকটাদা, কুমজা ১৯৮৩-৮৪দনা মদ্রাজ চেন্নাইদা শুমাইনা লাকচখি। মণিপুরগী মেজর টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সী সী মীটতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী প্লেয়র অমা ওইনা শরুক য়াজরম্বসিনা কুমজা ১৯৭৬তগীনা কুমজা ১৯৮৩ ফাওবনি। কুমজা ১৯৮১-৮২দা শিলোংদা তৌখিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেলগী ৱিন্নর ওইখিবা মণিপুর টিমদুদসু ঐহাক য়াওজরকখি।

অনীরকশুবা নোর্থ ইষ্ট স্পোর্টস ফেষ্টিবেল ইম্ফালদা তাখিবা কুমজা ১৯৮২-৮৩দদি মণিপুর টিম রন্নর্স-অপ তাখি। ওরিষাদা কুমজা ১৯৭৯দা তৌখিবা কলিঙ্গ কপতসু মণিপুর টিম ৱিন্নর লৌরকখি। লোয়ননা কটক্তা কুমজা ১৯৮৩দা তৌখিবা ভাইরভ মোহর্ন্টি টুর্নামেন্টতসু ৱিন্নর তারকখি।

ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্দা শান্নমিন্নরকখিবা সেনিয়র প্লেয়রশিং অমদি মরুপ-মপাংশিং হায়জরগদি চোঙথাম মঙলেম (টেজকুমার), আর কে ব্রোজেন, ঐচ রাধাচরন, ঐচ মায়পাক শর্ম্মা, সোনামনি শর্ম্মা, ভক্তি শর্ম্মা, এল টিকেন এন হরি, ওপেন সিংহ, মোবী সিংহ, আর কে পরিক্ষিৎ, আর কে প্রফুল্লো, টি ঐচ ইবোয়াইমা, এল ধনঞ্জয়, এল অঙৌতোম্বী অসিনচিংবনি।

কুমজা ১৯৭৫/৭৬তগী লেপ্তুনা শান্নজরকপদুনা কুমজা ১৯৮৪দা হায়দ্রবাদতা তৌখিবা নিজাম কপ্তা শরুক য়ারুবা মতুংদগীদি সী আর পি এফ টিমদা য়াওননবা সেলেক্সন ফংবগা লোয়ননা এসিষ্টেন্ট সব ইন্সপেক্টরদা এপোইন্ট তৌরকখি। অসুম্না কুমজা ১৯৮৪গী সেপ্তেম্বর ১০দা ঐহাক সী আর পি এফতা জোইন তৌদুনা মখা তানা শান্নজরকখি।

কুমজা ১৯৮৬ অসিদদি ঐহাক সী আর পি এফ টিমগী মপূং ওইবা প্লেয়র ওইরে। লোয়ননা চহীদুদগী হৌরগা কুমজা ১৯৯২গী মার্চ ফাওবা সী আর পি এফকী টিম কেপ্তেন ওইনসু শান্নজরকখি। টিম কেপ্তেন ওইনসু শান্নজরকখি। অদুগা য়াম্না নুংঙাইখিবা অমনা কুমজা ১৯৮৬তা চিনাগী য়ুনিভর্সিটি টিম অমা দেল্লিদা লাকখি। হায়রিবা চিনা টিম অসিগা সী আর পি এফ টিমগা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শান্নখি। মদুদা ঐনা কেপ্তেন ওইজখি।

মেচ অদুগী হেক হৌবগা ঐখোয়গী টিম্না অফিং অফাই ওইনা গোল অমা চনশিন্দুনা ১-০দা লীদ তৌখি। গোল অদু চল্লুবদগী চিনাগী টিম্না অঙকপা ফংনা তকখায়রকখি। মতমদু ঐখোয়গী সী আর পি এফ টিমসু য়াম্না ফজরকপা মতাং অমা ওইদুনা ঙমজবী থানা শান্নখি। ফর্ষ্ট হাফতুদা মখোয়না গোল অমত্তা চনশিনহন্দনা ১-০দা ঐখোয়না লীদ তৌদুনা লোইশিনখি। চিনাগী টিম্না গোল চলহন্দনবা হোৎনবদা ঐখোয় টিম অৱাবা অমদি ওইখি।

সেকেন্দ হাফতসু ঐখোয়না মিনিট তরামুক্তি লীদ তৌদুনা চৎলি। মদুদগীদি মখোয়না হান্না শান্নরম্বা খূৎশান্নদা হোংদোক্লগা অনৌবা ষ্ট্রেটেজি অমদা শান্নবা হৌরকখি। ঐখোয়গী দিফেন্স লাইনসিদা ফিট তরুক ৱাংবা ষ্ট্রাইকর অমা থাজিল্লকখি। ঐখোয়গী দিফেন্সতা লৈরিবা প্লেয়রশিং অসিদি ঐখোয়গুম্বা ঙাক্তনি। ফিট তরুক য়ৌনা ৱাংবদি য়াওদে।

শান্নবগী মওংদু ঐহাক হৌজিক ফাওবা মীৎতা উরি। মখোয়না শান্নরকপা মওংসি হেক লাকপা ফ্রি কিকসি মাগী মনাক্তা লোইনা থাদরকখি। মদুদা মানা লৌর-লৌরগা হেদ্দিংদা গোলসি অনী মথং মথং শৎ শৎ চনশিল্লকখি। মদুসু লাষ্ট মিনিটতনি। শুপ্পগী মিনিট অহুমদা ঙাইরবা মতমদা লাষ্ট গোল চন্দুনা ঐখোয়গী টিমসি ২-১দা মায়থীবা পীরমখি। মখোয়না লাষ্টতা থোইখ্রবসু চিনাগী টিমগা ফ্রেন্দলি মেচ শান্নখিবদু ঐখোয়দা নোলেজ খরদি হেঙ্গৎহনখি। শান্নবা হায়বসিদদি পোবা থোইবা হায়বা অমসু লৈবনিনা করম্না টিম অমবু মায়থীবা পীগদগে খল্লগা শান্নবা য়াবগে হায়বদুদি খঙহৌই। খূৎশান্নসি অমনা য়াদ্রগদি অমদা অমুক হোংহোংদুনা শান্নগদবনি হায়বা অমা ময়েক শেংনা খঙবা ঙমহৌখি। মণিপুরদা শান্নরল্লবা মতুং সেনিয়র নেসনলদা মখা তানা ঐহাক মধ্য প্রদেশকী ষ্টেট টিমদা য়াওদুনা অমুক শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৮৬তা তৌখিবা শন্তোস ট্রোফিদা ঐহাক মধ্য প্রদেশ ষ্টেটকী এলেভেন টিমদা য়াওজরকখি। ঐগী ওইনা য়াম্না পেঞ্জখিবা অমনা মধ্য প্রদেশকী পুৱারীদা সন্তোস ট্রোফিদা অমুক্তা ক্বার্টর ফাইনেলগী ক্বালিফাই ওইবা ঙমদবদু কুমজা ১৯৮৬ সিদা ওইবা ঙমখি। ক্বালিফাইদ ওইননবা শান্নখিবা লাষ্ট মেচতু হিমাচল প্রদেশকা তাখি। গোল ১-১দা দ্রোদা লৈবসি ঐখোয়না থোইরগদি ক্বালিফাইদ ওইগদবা। মদুগী মেচতু আর্মিগী গ্রাউন্দ অমদা শান্নখি। নুমিৎতু লৈখোমসু য়াম্না থোকই। মতমদুদা ঐহাকসি সেন্তর হাফ শান্নে। কন্না ইন্নদুনা শান্নরকপসিদা ওন্থোকপা মওং অমদা হিমাচলগী গোল কিপ্পরসিগা ঐগা নমখায়নরগা ঐনা বোলসি লৈখোমদা শিৎলগা চনখি। অদুমাইনা মধ্য প্রদেশসি শন্তোস ট্রোফিগী ক্বালিফাই ওইখি। -মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৬০

১. প্রোফেসর গাঙমুমৈ কামৈনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা ‘অহানবা ইম্ফাল গোল্ডন মাইল’ ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দদা করম্বা চহীদা, করি থাদা পাঙথোকখিবগে?

২. লু-নাউ করম্বা মশান্নগা মরী লৈনবগে?

৩. শগোল কাংজৈ শান্নবদা তোংবা শগোল নাত্রং সোঙঙৌ করম্বা মচুগী শগোল ওইগনি?

৪. মণিপুর নেসনল কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপ্তা অহানবা ওইনা শরুক য়ারুবদা মণিপুরগী কেপ্তেন ওইখিবা নিপা অদুগী মমিং পীয়ু।

৫. পীরিবা শক্তম অসিগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# এ আই এফ এফকী হান্নগী প্রসিদেন্ট প্রিয়া রঞ্জন দাসমুন্সি লৈখিদ্রে



ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) : ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী হান্নগী প্রসিদেন্ট অমসুং কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা প্রিয়া রঞ্জন দাসমুন্সি মশাগী চহী ৭৭ শুরকপদা লৈখিদ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্বা প্রিয়া রঞ্জন দাসমুন্সি কুমজা ২০০৮দগী কোমাদা লৈদুনা লায়েংলকখিবনি। মহাক ন্যু দেল্লিদা লৈবা এপোলো হোস্পিটালদা লায়েংদুনা লৈরক্লবা মতুং ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লৈখিদবনি।

কুমজা ১৯৮৮দগী কুমজা ২০০৮ ফাওবা এ আই এফ এফকী প্রসিদেন্ট ওইরমখিবা প্রিয়া রঞ্জন দাসমুন্সিনা কুমজা ২০০৬তা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী গেম অমদা মেচ কম্মিস্নর ওইখিবা অহানবা ইন্দিয়ানি। কুমজা ১৯৯৯ ফিফা ৱিমেন’স ৱর্ল্ড কপ্তা মেচ কম্মিস্নর ওইখ্রবা মতুংদা দাসমুন্সিনা ২০০৬ কী ৱর্ল্ড কপ্তা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ক্রোসিয়ানা শান্নখিবা গ্রুপ ষ্টেজগী মেচতা মেচ কম্মিস্নর অমুক ওইখিবনি।

এ আই এফ এফকী লুচিংবা ওইরিঙৈদা মহাক ষ্ট্রোক তৌরকপদগী হৌজিক ফাওবা লায়েংদুনা লাকখিবনি। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। এ আই এফ এফখক্তা নত্তনা শক্লাইরবা শান্নরোয়শিং অমদি মায়কৈ কয়াদগী মহাক্না লৈখিদবা অসিগীদমক লেপ্পা লৈতনা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

# লা লিগা : ষ্ট্রগল তৌদুনা লৈরিবা আইবরনা রিএল বেটিসপু ৫-০দা মায়থীবা পীখ্রে



স্পেন, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) : মেচ তরেৎ মায় পাকপা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা লা লীগাগী মেচতা ষ্ট্রগল তৌদুনা লৈরিবা আইবরনা রিএল বেটিসপু গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীখ্রে।

লা লিগা ফুটবোল গেমসকী হৌখিবা মেচ ১১গী মনুংদা মেচ তরেৎ মায় পাকপা ঙমদবদগী ষ্ট্রগল তৌদুনা লৈরিবা আইবরনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রিএল বেটিসকা শান্নখিবনি। মমাঙগী সিজন্দা ফোর মেন বেক লাইন্দা লৈহল্লগা শান্নখিবা ফোর্মেটতা চাউনা মায় পাকখিবনি। রিএল বেটিসকা শান্নখিবা মেচ অদুদা অমুক আইবরনা হান্না ফোর মেন বেক লাইন্দা লৈবা ফোর্মেট অদুদা হল্ঘিল্লগা শান্নখিবনি।

মেচ অদু হেক হৌবদগী আইবরনা রিএল বেটিসপু লাকশিল্লগা শান্নবা ঙমখি। য়ূম্বু ওইরিবা আইবরনা মেচ অদু হেক হৌবগী ৬শুবা মিনিটতগী মাঙজিল থাবা ঙমখি। ৬শুবা মিনিটতা রিএল বেটিসকী জোর্দিন অমন্না চনখিবা ওন গোল অমনা আইবরবু মাঙজিল থাহনখিবনি।

আইবরগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীদুনা শান্নরক্লবসু রিএল বেটিসনা মেচ অদু মায়থীদনবা হোৎনখিদবদি নত্তে। অদুমকপু মেচকী ২২শুবা মিনিটতা গোল চনবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। অদুমকপু খুদোংচাবা অদু নাম্থোক্লগা চৎখি। মিনিট খরা কান্নরগা মেচকী ৩০শুবা মিনিটতা অমুক গোঞ্জালো স্কালেন্টেন্না আইবরগী অনীশুবা গোল চনশিল্লকখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা আইবরনা গোল ২-০দা মাঙজিল থারগা চৎখি।

অহানবা হাফতা খুদুম চন্দুনা শান্নরক্লুবা মতুং অনীশুবা হাফতসু আইবরনা হান্নদগী হেন্না কন্না রিএল বেটিসপু লাকশিল্লগা শান্নরকখি। মেচকী ৫৬শুবা মিনিটতা আইবরনা পেনালটি কাওবগী খুদোংচাবা অমা ফংখি। আইসা মান্দিনা মেচকী ৫৫শুবা মিনিটতা ফাওল তৌরকখিবগীদমক পেনালটি অদু কাওবগী তাঞ্জা ফংখিবনি। পেনালটি কাওদ্রিঙৈদা আইসা মান্দি রেদ কার্দ পীদুনা মেচতগী মপান থোকহনখিবনা রিএল বেটিসকী শান্নরোয় ১০খক্লা মেচ অদু মখা তানা শান্নহৌখি। পেনালটি কিক অদুসু চার্লসনা গোল ওন্থোকখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৭১শুবা মিনিটতা অমুক চার্লসনা গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু আইবরনা ৪-০দা মাঙজিল থাহনখি। মিনিট ৯ কান্নরগা অমুক সর্জি ইনরিক্লা গোল অমগা চনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা রিএল বেটিসকী মায়কৈদগী গোল অমত্তা হনে দাকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। অদুগা য়ূম্বু ওইরিবা আইবরনা গোল ৫-০দা মেচ অদু মায় পাকখি।

মেচ অদু মায় পাল্লুবা মতুং আইবরনা পোইন্ট ১১ ফংবা ঙমখ্রে। অদুমকপু মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা রিএল বেটিসতি পোইন্ট ১৪ ফংদুনা ৯শুবা পোজিসন্দা লেংদনা লৈরি।

# ৱিমল্বেদন চেম্পিয়ন জনা নোভোটনা লৈখিদ্রে



প্রেগ, নবেম্বর ২১ (এজেন্সি) : কুমজা ১৯৯৮-দা ফ্রাঞ্চকী নথালি টাওজিয়াৎপু ফাইনেলদা মায়থীবা পীরল্লগা ৱিমল্বেদনগী টাইটল লৌখিবা চেক রিপব্লিক্কী জনা নোভোটনা কেন্সরগী অনাবা অমদগী লৈখিদ্রে। মহাক মশাগী চহী ৪৯ শুখ্রে।

নোভোটনানা ৱিমল্বেদনগী ৱিমেন সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ফাইনেল মেচ অনীসু শান্নখি। কুমজা ১৯৯৩দনা মহাক ষ্টেফি গ্রাফকী মখূৎতা মায়থীহৌখি। অদুগা কুমজা ১৯৯৭তনা মার্টিনা হিঙ্গসকী মখূৎতা মায়থীহৌখি।

হান্নগী ৱিমল্বেদন চেম্পিয়ন নোভোটনানা ৱিমল্বেদনগী দবল লটাইটল মরিরকশু লৌবা ঙমখ্রে। হেলেনা সুকোভাগা পূন্না শান্নমিন্নদুনা মহাক্না কুমজা ১৯৮৯ অমসুং কুমজা ১৯৯০ দা দবলসকী টাইটল লৌখি। কুমজা ১৯৯৫দনা অরানসা সাঞ্চেজ বিকারোগা অমসুং কুমজা ১৯৯৮দনা হিঙ্গিসকা শান্নমিন্নদুনা দবলসকী টাইটল অসি লৌখিবনি। অয়াম্বা মতমদা মহাক্কী তোপ তোপ্পা হেদবেন্দ ফারদুনা শান্নখিবা জনা নোভোটনানা গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট মরিগী দবল টাইলসু লৌখি। কুমজা ১৯৬৮গী ওক্টোবর ২দা পোকখিবা নোভোটনানা কুমজা ১৯৮৭তগী কুমজা ১৯৯৯ ফাওবদা শান্নখিবা মহাক্কী কেরিয়রগী মেচশিংদা সিঙ্গল টুর্নামেন্ট ২৪ অমসুং দবল টুর্নামেন্ট ৭৬ মায় পাকখি।

## ক্রিকেট অম্পয়ারগী ৱার্কশোপ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচএনএস) : মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না য়ূম্বু ওইরগা মিজোরাম অমসুং মণিপুরগী ওইবা ক্রিকেট অম্পয়ারশিংগী ৱার্কশোপ অমা ইম্ফালগী লুৱাংশঙবম-মদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙরাং হৌদোকখ্রে। লাক্লিবা নবেম্বর ২৪ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর অমসুং মিজোরামগী ক্রিকেট অম্পয়ারশিংগী ওইবা ৱার্কশোপ অদু বি সী সী আইগী ফার্ষ্ট ক্লাস অম্পয়ার সত্রজিৎ লহিরিনা কন্দক্ট তৌরি। নেসনল ক্রিকেট ক্লবকী লমজিং মখাদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিল্লগা পাঙথোক্লিবা ৱার্কশোপ অসিদা কেন্দিদেট ২০না শরুক য়ারি হায়রি।




HL-B/4214/15/11-14/

NATION TAX MARKET

জি এস টিগী মখাদা হন্থবা মমলশিং

শেন্দোং চাউনা তালহন্দনবগী থৌরাং

কান্নহন্নবগীদমক



কঞ্জ্যুমরশিংবু

গভর্ণমেন্টনা জি এস টিগী মখাদা কঞ্জ্যুমরশিংবু গুদস অমসুং সার্ভিসেসকী হন্থবা মমলশিংগী কান্নবা শোয়দনা ফংহন্নবা অচেৎপা ফিরেপ লৌরি।

জি এস টিগী মখাদা গুদস এন্দ সপ্লায়রশিংনা টেক্স রেট হন্থবা নৎত্রগা ইনপুট টেক্স ক্রেদিটকী কান্নবা লাকপশিং চানবা মওংদা মমলশিং হন্থহন্দুনা কঞ্জ্যুমরশিংদা য়ৌহনগদবনি। মসি তৌদবা তারবদি, নেসনল এন্টি-প্রোফিটিয়রিং ওথোরিটিনা কঞ্জ্যুমরগী ইন্টরেষ্ট ঙাক শেনবা ওইনা মখাগীশিংসি ওর্দর তৌবা য়াই :

মমলশিং হন্থহনবা

ফংহনখিদবা শেনফম অদু ১৮%গী ইন্টরেষ্টকা লোয়ননা রিসিপিএন্টতা হলহনবা

পেনালটি পীহনবা

সপ্লায়রদুগী রজিষ্ট্রেসন কেন্সেল তৌহনবা

শেন্দোং তানবগী ফীভমদু ইন্দিয়া পূম্বদা চখবগী মওং উরগদি মদুনা শোকহনখ্রবা কঞ্জ্যুমরশিংনা প্রীস্ক্রাইব ফোর্মেটতা সেন্ত্রেল ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন এন্টি-প্রোফিটিয়রিংদা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌবা য়াই নৎত্রগা লোকেলগী মওংদা শেন্দোং তানবা ওইরগনা কঞ্জ্যুমরশিংনা ষ্টেট স্কৃনিং কম্মিটদা এপ্লিকেসন ফাইল তৌবা য়াই।

কঞ্জ্যুমরনা এপ্লিকেসন থাবা

ষ্টেট স্কৃনিং কম্মিটিশিংনা
প্রোফিটিয়রিংগী প্রাইমা ফেসি ইভিদেন্স কনফার্ম তৌই

সেন্ত্রেল ষ্টেন্দিং কম্মিটি
প্রোফিটিয়রিংগী প্রাইমা ফেসি ইভিদেন্স কনফার্ম তৌই

দিরেক্টর জেনরেল ওফ সেফগার্দস, সী বি ঈ সী
প্রোফিটিয়রিং থিজিন্নবা অমসুং রিপোর্ট তৌনবগীদমক

নেসনল এন্টি-প্রোফিটিয়রিং ওথোরিটি
কঞ্জ্যুমরশিংবু টেক্স রেট হন্থবগী নৎত্রগা ইনপুট টেক্স ক্রেদিটকী কান্নবা শোয়দনা ফংহন্নবা চানবা ওফর পাস তৌনবা অমসুং প্রোফিটিয়রিং লেপ্পবগীদমক

কন্টেক্টকী অকূপ্পশিং :

সেন্ত্রেল ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন এন্টি-প্রোফিটিয়রিং
অনীশুবা ফ্লোর, ভাই ভির সিংহ সাহিত্য সদান, ভাই ভির সিংহ মার্গ, গোল মার্কেট, ন্যু দেল্লি - ১১০০০১। টেল নম্বর : ০১১-২৩৭৪১৫৩৭, ফেক্স নম্বর : ০১১-২৩৭৪১৫৪২, ঈমেল : dgsafeguards@nic.in

ষ্টেট ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন এন্টি-প্রোফিটিয়রিং
ষ্টেট স্কৃনিং কম্মিটি ওন এন্টি-প্রোফিটিয়রিংগী কন্টেক্ট দিটেলস URL:goo.gl/eYJXnK তা ফংগনি।

তারিখ ১৫.১১.২০১৭তগী হৌরগা জি এস টি হন্থহল্লবা আইটেমশিংগী লিষ্ট URL goo.gl/9nSzq5. তা ফংগনি। অসুম তৌদুনা পোৎশকশিং অসিগী মমল/এম আর পি চানবা মওংদা হন্থবা উগনি। কঞ্জ্যুমরশিংনা লৈবা মতমদা হন্থরিবশিংসি খঙগদবনি। পেন্দবা (শিং) লৈরকপা মতমদা এন্টি-প্রোফিটিয়রিংগী ষ্টেট স্কৃনিং কম্মিটিশিং নৎত্রগা সেন্ত্রেল ষ্টেন্দিং কম্মিটিদা ৱাকৎনবা কঞ্জ্যুমরশিংবু পাউতাক পীরি।

জি এস টি - অফবা অমসুং অচম্বা টেক্স অমা

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ এক্সাইজ এন্দ কষ্টমস এন্দ কম্মর্সিএল টেক্সেস দিপার্টমেন্টস ওফ ষ্টেটস/য়ুনিয়ন টেরিটোরিস
www.cbec.gov.in, www.cbec-gst.gov.in

davp 15502/13/0266/1718